# উট্টরখন্দদা লান্না প্রসিদেন্ট রুল থমখিবনি ঃ কোর্ট


হায়কোর্টনা হরিস রৱাতপু চীফ মিনিষ্টর অদুমক ওইহনবা খঙহল্লকখিবদা মীয়ান্না রৱাতত খুদোল পীদুনা নুংঙাইবা ফোঙদোকপা

*দেহরাদুন, এপ্রিল ২১ঃ*
উট্টরখন্দদা প্রসিদেন্ট রুল থমজিনখিবদু অরানবা থৌওং অমনি হায়না ষ্টেট হায়কোর্টনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। কোর্টনা ষ্টেট অদুদগী প্রসিদেন্ট রুল লৌথোক্লবা ৱায়েল পীরকখিবা অসিনা সেন্টরদা অচৌবা নিংহন্নবা অমা থোকহল্লগনি। কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না হরিস রৱাতপু চীফ মিনিষ্টর ওইনা অমুক লৈহনখ্রে।

ষ্টেট অদুদা মখা তানা কংগ্রেস সরকার লৈন্নবগীদমক মথংগী ইরাই নুমিৎতা পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোক্কদবনি। অচুম্বা অদুনা মায় পাক্কনি হায়না কোর্টনা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা সেন্টরনা হায়, ষ্টেট হায়কোর্টনা ঙসি তাখিবা ৱায়েল অদু শীংনদুনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎকনি। ষ্টেট অদুদা প্রসিদেন্ট রুল থম্বগী মায়োক্তা কোর্টনা শীংথানিংঙাই ওইবা ৱায়েল অদু পীখ্রবা মতুং হায়কোর্টকী মমাঙদা মীয়াম্না হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখি।

নুমিৎ কয়ানি চুপ্পা হিয়ারিং চখরকখ্রবা মতুং ঙসিদি জজ অদুনা অকনবা মওংদা প্রসিদেন্ট রুল থল্লকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মীয়াম্না খল্লবা লৈঙাক অমবু মুখৎপা হায়বসি মীয়ামগী থম্মোয়দা হু চাইশিনবনি। মার্চ থাদা চীফ মিনিষ্টর হরিস রৱাতনা মহাক্কী পার্টিনা মশিং য়াম্বা উৎকদবা নোংমগী মাংওইননা সেন্টরনা ষ্টেট অদুদা প্রসিদেন্ট রুল থমজিল্লকখি। মদুগী মতুংদা উট্টরখন্দগী গভর্নর কে কে পোলনা লৈঙাক পায়শিনখি।

য়েৎননিংঙাই ওইরিবা ৱাফম অমদি লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জিনা সাইন তৌদুনা লৌখিবা ৱারেপ অমবু হায়কোর্ট অমনা ইগজামিন তৌবা য়ারোই হায়বসিনি। কেস অদুগী হিয়ারিং চখরকপদা সেন্টরগী মায়কৈদগী অকনবা ৱাফম অদু পুখৎলকখি।

চৈরক অসিদা হায়কোর্টকী জজনা হায়, করিগুম্বা কান্দা প্রসিদেন্টসু লানবা য়াই হায়খি।

হরিস রৱাত লৈঙাক মুখৎতুনা মমাঙ থাগী ২৯দা প্রসিদেন্ট রুল থমখি। কংগ্রেসনা সেন্টরদা পাল্লিবা সরকার অদুবু অকনবা মরাল শীরদুনা হায়, সেন্টরনা অরানবা মওংদা আইন শীজিন্নরি। ওপোজিসন গভর্নমেন্টকী থৌশিল অদু কোর্টনা ৱারেপ লৌরক্কনি হায়খিবা লৈখি।

কোর্টনা ঙসি শীংথানিংঙাই ওইরবা ৱায়েল অদু তাদুনা হরিস রৱাতপু অমুক হন্না ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইহনখি। সেন্টরগী মতুং ইন্না মার্চ থাদা হরিস রৱাতকী সরকার মেজোরিটি ওইদ্রে। মদুগী মতিক চাবা প্রমান্দদি এসেমব্লী অদুমক্তদা পুথোকপা বজেটকী ভোট লৌনবদা মশামক্কী পার্টিগী এম এল এ ৯ বিল অদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি।

অদুম ওইনমক হরিস রৱাতনদি মহাক্কী মায়কৈদা এম এল এ ৩৬ লৈরি। মরম অদুনা মহাক অদুমক চীফ মিনিষ্টর ওইখিগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

বি জে পিনা পুথোকপা সি দি রেকোর্দ অমদা হরিস রৱাতনা এম এল এ লৈননবা হোৎনখি হায়বা মরাল শীরি। অদুম ওইনমক হরিস রৱাতনদি মহাক্কী মথক্তা শীরিবা মরাল অদু শেমজিন শাজিনবনি হায়খিবনি।

# মেক্সিকো ওইল প্লান্ট পোকখায়বদা ১৩ শীরে

*মেক্সিকো, এপ্রিল ২১ঃ*
মেক্সিকোদা লৈবা ওইল প্লান্ট অমদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ১৩ শীরে। য়ুমশকৈশ নুমিৎতা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক্কী মতাংদা মেক্সিকো ইমর্জেন্সি সর্ভিসকী মকোক লুইস ফেলিফ প্যুইন্টেনা ফোঙদোরকখিবদা মফম অদুদা থোকখিবা মীশি মীনগী থৌদোক অদু মখা তানা য়েংশিনবদা মীওই ১৩ শীরে হায়বা খঙলে।

মেক্সিকো ষ্টেট ওইল কম্পেনি অদুগী মফম কয়া পোকখায়বা অদুদা শোকহনখি। কম্পেনি অদুগী মপুগী মতুং ইন্না থোকখিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মীওই ১৩ লৈখিদ্রে। অদুগা ১০০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে।

অকোয়বদা লৈবদা মীওইচা কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা পোকখায়বগী থৌদোক অদু করম তৌনা থোকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। মফম অদুদা কয়ারক হন্না পোকখায়বগী মখোল তাখি।

প্যুইন্তেনা ফোঙদোরকখিবদা পোকখায়বা অদুনা শোকহল্লবা মফমশিংদা চৎতুনা য়েংশিল্লে। লায়বক থিবা অমা ওইনা থৌদোক অদুদা মীওই ১৩গী পুন্সি মাংখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী গ্রিনহ্বিস মিনটাইমগী মতম পুং ২০ঃ১৫ চৎপদা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। ভেরাক্রুজ ষ্টেট গভর্নর জাবির দুৱারতেনা রেদিওদা ফোঙদোকখিবদা পোকখায়খিবা অদুনা কিলোমিটর ১০গী অকোয়বা শোকহনখি।

ঙসি অয়ুক্তুদি চাক্লিবা মৈ অদু কনবা ঙম্লে। মৈ চাকপা অমসুং পোকখায়বগী থৌদোক অদুনা হকচাং শোকহনবা য়াবা মৈখু কয়া শন্দোরকপা য়াবগী ফিভম লৈবদগী অকোয়বদা লৈবা মীওইশিং ইমুংদা থোঙ লোনশিনদুনা লৈনখি।

মৈখু পাক শন্না শন্দোরকপা লৈখিদবনা হকচাং শোকহনবা য়াবা গ্যাসশিংনা পীবা য়াবা খুদোংচাদবশিংদগী হন্থহনখি। প্রেমেক্সনা হায়, ফেক্টরি অদুগী শরুক কয়া পোকখায়বা অদুনা শোকহনখি।

কম্পেনি অদুগী অতোপ্পা মশা অমনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। এসোসিয়েট প্রেসনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা প্লান্ট অদু ভিনাইল ক্লোরাইট পুথোকপনি। খুদোংথিনিংঙাই ওইবা কেমিকেল অদু পি ভি সি পাইপ অমসুং পেক তৌননবা পোৎলমশিং শাবদা শীজিন্নবনি।

ঙরাং পোকখায়খিবা থাও পুথোকপা প্লান্ট অদু মেক্সিকোদা খ্বাইদগী হেন্না থাও পুথোপা অমসুং য়েন্থোকপা মফমনি। থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা কম্পেনি অদুদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লগনি হায়রি।


মেক্সিকোগী খা থংবা সহর কোটজাকোল কোষ্টতা লৈবা ফেক্টরিদা পোকখায়খিবগী শক্তম

# সেক্স স্লেভ ওইয়ু য়াদে হায়বগীদমক আই এস আই এসনা নুপী ২৫০ হাৎখ্রে

*লন্দন, এপ্রিল ২১ঃ*
ইস্লামিক ষ্টেট ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস)কী মঙক চাওবা থৌওং অমা ওইনা ইরাক্কী অৱাং থংবা শরুক্তা নুপী ২৫০ সেক্স স্লেভ ওইয়ু হায়বা য়াদে হায়বগীদমক হাৎখ্রে হায়না মেদিয়ানা রিপোর্ট তৌরক্লি।

লমদম অদুদা লৈবা নুপীমচাশিং মতম খরগী ওইনা টেরোরিষ্টশিং অদুদা লুহোংঙু হায়বা য়াদে হায়বগীদমক নুপীমচাশিং অদু হাৎখিবনি। মদুতা নত্তনা মখোয়গী ইমুং মনুংশিংসু হাৎখিবা লৈ হায়রি।

সেক্স স্লেভ ওইয়ু হায়বা য়াদবগীদমক ইরাক্কী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সহর মোসুলদা নুপীমচাশিং খ্বাইদগী হেন্না হাৎখি হায়রি।

আই এস আই এসনা মোসুলদা লৈবা নুপীশিং খন্দোক্তুনা মখোয়গী লান্মীশিংগা লুহোংনবা অকনবা থবক পায়খৎখি। মতম খরগী ওইনা লুহোংনবা থৌশিল অদু মোসুল সহর মখোয়না খুদুম চল্লিঁঙৈদা চখিখিবনি।

আই এস আই এসকী থৌশিল অদুদা য়াদবা নুপীশিং হাৎখি হায়না করদিষ্ট দিমোক্রেটিক পার্টিগী ৱাঙাং লোই মামুজিনিনা ফোঙদোরকখি। জিহাদিশিংনা লুহোংঙু হায়বা য়াদে হায়বগীদমক আই এস আই এসনা য়ামদ্রবদা নুপীমচা ২৫০ হাৎখ্রে। মদুতা নত্তনা মখোয়গী থৌশিল অদুদা ইন্দবা ইমুং মনুংগী মীওই কয়াসু হাৎখি হায়রি।

মামুজিনিনা লন্দনদা বেজ তৌবা করদিষ্ট ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা জিহাদিশিংগা লুহোংসি হায়বা য়াদবা নুপীমচাশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং ফাওবা হাৎখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পেত্রিওটিক য়ুনিয়ন ওফ করদিস্তান পার্টিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং গয়াস সুরচিনা ফোঙদোকখিবদা আই এসনা লৈবাক অদুদা মীওইবগী হক পাক শন্না খোঙ্গাওনবগী থবক চখরি। মরু ওইনা নুপীশিংগী হক অদুবু মখোয়না লল্লোলপোৎ অমগুম খনবতা নত্তনা নুপীশিংগী মখোয়না অপাম্বা নুপা খনবগী হক অদু ফংদ্রে।

সুরচিনা হায়, মোসুল সহরদা নুপী অমত্তা মথন্তা মপান থোকপা ঙমদ্রে। মখোয়না মখোয়গী অপাম্বা নুপা খনবগী হক লৈত্রে। মমাঙ চহীগী আগষ্ট থাদা মোসুলদা লৈবা নুপী ১১ আই এস আই এসকী ফাইটরশিংগা লোয়নৌ হায়বা য়াদবগীদমক হাৎখিবগী রিপোর্টসু ফংলে।

ইং ২০১৪দা য়াজিরি নুপী অমসুং নুপীমচা ৫০০ ফাদুনা পুরবা মতুং সেকচুয়েল এব্যুস চখখি। মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদসু য়াজিরি নুপ ৫০০ অৱাং থংবা ইরাক্কী সিঞ্জর লমদমদগী ফাখিবা লৈখি।

ইং ২০১৪গী জুন থাদগী মোসুল সহর আই এস আই এসনা খুদুম চন্দুনা লৈরকখি। তোঙান-তোঙানবা মরাল পীশিন্দুনা লমদম অদুদা লৈবা মীওই কয়া মঙক লেন্থৎতুনা হাৎখ্রে হায়রি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা মোসুল সহর আই এস আই এসকী মখুৎতগী অমুক হন্না লৌশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মমাঙ চহীগী অরোইবা শরুক্তা মোসুল সহর লৌশিনবা ঙমগনি হায়না থাজখিবনি। অদুম ওইনমক ফিভম অদুদি ওইখিদ্রে হায়খি।

# মীওই ১০০ রোম তোংবা গুজরাটকী ত্রেন লুট তৌখ্রে

*লখনৌ, এপ্রিল ২১ঃ*
ঙসি অয়ুক সুলটানপুর এক্সপ্রেস ত্রেনদা তোংলকপা মীওই ১০০গী শেল অমসুং মমল য়াম্বা পোৎলমশিং গেঙ খুৎপু অমনা রামপুরদা লুট তৌখ্রে। হায়রিবা মফম অদু লখনৌদগী কিলোমিটর ২৯০ চৎলগা লৈবা মফমনি।

সুলটানপুরদগী অহামেদবাদতা চৎপা গুজরাটকী ত্রেন অদুগী জেনরেল কম্পার্টমেন্টতা অফবা মখলগী খুৎলায় পায়বা হুরানবা খুৎপু অমা চংশিল্লত্তুনা গন পোইন্টতা পেসেঞ্জরশিংগী মপোৎ মরলশিং অদু লুৎ তৌখিবনি।

মীয়ামগী মপোৎ মরলশিং অদু মুল্লবা মতুং খুৎপু অদু মফম অদুদগী নান্থোকখি। গভর্নমেন্টনা রেলৱে পুলিসকী অখন্নবা থৌশিল অমা পায়খৎতুনা মোরদবাদ অমসুং অতোপ্পা ষ্টেসন তাগদবা লম্বীশিং মীৎকুপ নাহুম শিংনা ঙাক শেনখ্রে হায়রি।

# কুপৱারাদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখ্রে



*জম্মু, এপ্রিল ২১ঃ*
কাস্মিরগী অৱাং থংবা কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমদা সিকুরিটি ফোর্সনা মশক খঙদবা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখ্রে।

কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টকী লোলাব লমদমগী মনুং চনবা পুটসাইদা টেরোরিষ্ট খরা লৈরে হায়বা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সনা কোয়শিন্দুনা থল্লবা মতুং থি-হুম্বগী থবক চখখি।

থি-হুম্বগী থবক চখরিঙৈদা লোৎতুনা লৈরম্বা টেরোরিষ্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। খুৎ থোক্লবা অদুদা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখি।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউগী লিখুল অসিগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা টেরোরিষ্টশিং অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। লমদম অদুদা মখা তানা থি-হুম্বগী থবক চখরি হায়রি।

# বেঙ্গলগী অহুমশুবা ফেজগী মীখলদা হিংশা থোকপদগী ১ শীরে

*কোলকতা, এপ্রিল ২১ঃ*
ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লীগী অহুমশুবা ফেজগী ঙসি ভোট থাদনখিবা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬২দা পুন্না চাদ ৫৭গী চাংদা ভোট থাদনখি। মীখলগা মরী লৈননা থোকপা হিংশাগী থৌদোক্তা মীওই অমা শীরে। অদুগা অতোপ্পা কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা হিংশাগী থৌদোক য়াওনা ইলেক্সন কম্মিসনদা ৱাকৎ ১,৫০০ লাকখ্রে। অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈননা মীওই ৪৭ ফারে।

ঙসি ভোট থাদনখিবা মফমশিং অদুদি মুরসিদবাদকী কন্সটিট্যুয়েন্সি ২২, নাদিয়াগী ১৭, বরদৱান দিষ্ট্রিক্টকী ১৬, অৱাং থংবা কোলকতাগী ৭নি।

এসেমব্লী মীখল অদুগী অরোইবা ফেজগী মীখল এপ্রিল ১১দা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৯দা পাঙথোক্লগনি। ঙসি ভোট থাদনখিবা অদুদা নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১ ফাওবদা চাদ ৫৭.২১গী চাংদা ভোট থাদনখি। মুরসিদবাদ, নাদিয়া অমদি বরদৱানদা চাং ৱাংনা ভোট থাদখি। অদুগা অৱাং থংবা কোলকতাদদি শুপ্নতংগী চাদ ৪৪ খক্তমক ভোট থাদখি।

অকনবা নুংশাগী মৈশা মরক্তা মুরসিদবাদ, নাদিয়া অমসুং বরদৱান দিষ্ট্রিক্টশিংদা হিংশাগী থৌদোক থোকপগী পাউ ফংখি। হিংশাগী থৌদোক্তা মীওই ১গী পুন্সি মাংখ্রে। অদুগা কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে।

মুরসিদবাদ দিষ্ট্রিক্টকী নোংকালদা ক্রুদ বোম লংশিল্লকপদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাক্সিস)কী এক্টিবিষ্ট তাহিদুল ইস্লাম শীহনখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসননা রিপোর্ট থাগৎলক্লবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে। সি পি আই এমগী লুচিংবা অনিসুর রহমননা মীশি মীনাগী থৌদোক অদু ত্রিনামুল কংগ্রেসনা থোকহনখিবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

অদুম ওইনমক লৈঙাক পায়রিবা ত্রিনামুল কংগ্রেসনদি য়াখিদ্রে। ত্রিনামুল কংগ্রেসকী দোমকাল নোমিনি সৌমিক হোসাইননা ফোঙদোরকখিবদা মীওই অমা লৈখিদবদা সি পি আই এম অমসুং কংগ্রেসকী মীওইশিংগা খুৎ থোক্লবদা লৈখিদবনি হায়খি।

দোমকালদা ভোট থাদনরিঙৈ চৈরক্তা এটেক চখরকপদগী মীওই ৪ অশোক অপন নংখি। ঙরাং নুমিদাং মীওই খরনা লমদম অদুদা লৈবা মীওই অমদা ভোট থাদদনবা খঙহল্লমখি।

ৱাফম অদু ইন্দনা মহাক্না ভোট থাদরুরবা মতুং হল্লকপদা এটেক চখরকখি হায়না শোক্লবা মীওই অমনা ফোঙদোরক্লি। ইন্দিয়ান পুলিস সার্ভিসকী ওফিসার নাজরু ইস্লাম দোমকাল কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইরি।

লুচিংবা অদুনা ইলেক্সন কম্মিসনদা মরাল শীরদুনা অতম্নুনা ইলেক্সন কম্মিসননা মহাকপু শোন্থহন্নবা হোৎনৈ। মদু লৈঙাক পায়রিবা ষ্টেট অদুগী ত্রিনামুল কংগ্রেস অমসুং সেন্টরগী বি জে পিগা লৌতুনদুনা চখবনি হায়খি।

কংগ্রেসকী ষ্টেট প্রসিদেন্ট আধির রঞ্জন চৌধুরিনা হায়, মুরসিদবাদকী মফম অয়াম্বদা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থমদে। মদুগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসনদা ৱাকৎখিবসু লৈখি।

ত্রিনামুল কংগ্রেসনা লমদম অদুদা বাইয়স লৈনা থবক চখে হায়না মরাল শীখি। বরদৱান দিষ্ট্রিক্টকী কেটুগ্রামদসু হিংশাগী থৌদোক থোকপদা মীওই ৩ অশোক অপন নংখি। মফম অদুদা লৈবা পোল্লিং বুথ অমদা ক্রুট বোম লংশিল্লকপদগী মীওই ৩ অদু শোকখিবনি হায়রি।


ৱেষ্ট বেঙ্গলী অহুমশুবা ফেজগী মীখলদা ভোট থাননবা পরেং লেপ্লীবা মীয়াম

# য়ু এস-মেক্সিকো ঙমখৈদগী কোকাইন টন ১ ফারে

*সান্দিগো, এপ্রিল ২১ঃ*
য়ু এস - মেক্সিকোগী ঙমখৈদা হুরান পোৎ লল্লোনবদা শীজিন্নবনি চীংনবা মাইল তঙ্খায় অমরোম শাংবা টর্নেল অমা থেংনখ্রে। লোয়ননা মফম অদুদগী কোকাইন টন ১ অমসুং গঞ্জা টন ৭ ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না য়ু এস ওথোরিটিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

কার্লিফোনিয়া অমসুং মেক্সিকোগা তায়নবা ঙমখৈ পরিংদা মতমগা চুন্না শেমগৎপা টর্নেল ১৩ ইং ২০০৬তা থেংনখিবা লৈখ্রে। হায়রিবা অরোনবা লম্বী অদু সান্দিগোদগী ঙমখৈগী শঙ্গল ফাওনা চৎপনি।

থেংনখিবা টর্নেল অদু ফিট ৩ লোমতমক পাকই। টর্নেল অদুদা অপীকপা ত্রেন চেনবা য়াবগী সিষ্টেম, মৈ অমসুং ভেন্টিলেসনগী খুদোংচাবা লৈরমখি। টর্নেল অদু মহৌশাগী ওইদবা কোকাইন অমদি গঞ্জা পুথোক পুশিন তৌবদা শীজিন্নবনি হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-573**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | | 6 | | | 8 | | |
| | | | | | 2 | 3 | | |
| | 7 | 5 | | | 4 | | | |
| | | | 9 | 4 | | 5 | | |
| 5 | | 2 | | 3 | | | 9 | |
| 9 | 4 | 6 | 1 | 2 | | | 3 | 8 |
| | | | | 7 | 9 | 6 | 8 | 4 |
| 7 | | | 8 | | | | 5 | 3 |
| | | | | | | 9 | | 1 |

*সনা-সুদোকু- ৫৭২ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 4 | 8 | 2 | 7 | 6 | 1 | 3 | 5 |
| 7 | 5 | 1 | 4 | 3 | 9 | 6 | 2 | 8 |
| 2 | 6 | 3 | 5 | 8 | 1 | 7 | 9 | 4 |
| 8 | 9 | 6 | 7 | 4 | 3 | 5 | 1 | 2 |
| 1 | 2 | 5 | 9 | 6 | 8 | 4 | 7 | 3 |
| 3 | 7 | 4 | 1 | 5 | 2 | 8 | 6 | 9 |
| 4 | 3 | 7 | 6 | 9 | 5 | 2 | 8 | 1 |
| 5 | 8 | 2 | 3 | 1 | 7 | 9 | 4 | 6 |
| 6 | 1 | 9 | 8 | 2 | 4 | 3 | 5 | 7 |

# গুজরাটতা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরে, উরিষা, সেনেপুরদা কা হেন্না শাবগী ফিভম মায়োক্লরি

*অহামেদবাদ, এপ্রিল ২১ঃ*
গুজরাটকী খুঙ্গং ৪৬৮ ঈশিং ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লরে। হায়রিবা খুঙ্গংশিং অদু কুটচ অমসুং সৌরষ্ট্রাগী মনুং চনবা খুঙ্গংশিংনি। খুঙ্গংশিং অদুদা নুংশাগী মৈশানা মরম ওইরগা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরে।

হায়রিবা খুঙ্গংশিং অদুতা নত্তনা অতোপ্পা খুঙ্গং ৫২৬দি থা অসি হৌরকপদগী খ্বাইদগী শাখিবা ঈকংগী ফিভম মায়োক্লখ্রবনি। গুজরাট লৈঙাক্না মখা তানা খুঙ্গং ৪৬৮ ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরে হায়না লাউথোরকখিবনি। হৌজিক ষ্টেট অদুগী অপুনবা খুঙ্গং ৯৯৪ শাখিবা ঈশিং ৱাৎপগী ফিভম মায়োক্লরে।

ষ্টেট অদুদা কা হেন্না শাবা ওইদ্রবসু নোং চুবগী চাং ৱাৎপনা মরম ওইবনা খুদোংচাদবা অদু থোকহনবনি। থেংলবসু থেংনা সুপ্রিম কোর্টনা অৱাবা নংলবশিংগীদমক লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎনবা সরকারদা খঙহনখিবা লৈখ্রে।

ঙরাং সুপ্রিম কোর্টনা গুজরাট লৈঙাক্তা ঈকংগা মান্নবা ফিভম অমা মায়োক্লরিবা অদুগী মতাংদা মরিক চুম্বা রিপোর্ট য়াওবা এফিদেবিট এপ্রিল ২১ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্লবা খঙহনখি।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা ফোঙদোকখিবদা করিগীদমক এফিদেবিট শেম শারোইদৌরিবনো অসিগুম্বা ফিভম অসি লায়না লৌরোইদবনি। গুজরাটকী লৈঙাক অমা ওইনা নহাক্না পায়খৎপা য়াবা থবকশিং অপাম্বা মওংদা পায়খৎলু হায়খি।

কুটচ দিষ্ট্রিক্টকী খুঙ্গং ৩০১, পোরবন্দরগী ৬৪, জমনানাগরগী ৫৬ অমসুং দেবভুমি-দ্বারিকাদা ৪৭ অৱাবা ফিভম অদু মায়োক্লরে হায়না ষ্টেট রেভিন্যু দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। মমাঙদা ষ্টেট লৈঙাক্না খুঙ্গং ৫৬২ খক্তমক ঈশিংগী অৱাৎপা মায়োক্লে হায়না লাউথোকখি। হায়রিবা খুঙ্গংশিং অদুদি রাজকোট দিষ্ট্রিক্টকী খুঙ্গং ১৫৭, জমনানাগরগী ২৮৮ দেবভুমি-দ্বারিকাগী ৮২নি হায়রি।

ষ্টেট এদুকেসন মিনিষ্টর ভুপেন্দ্র সিনহনা লুচিংবা সব কম্মিটি অমনা ষ্টেট অদুগী তোঙান-তোঙানবা খুঙ্গংশিংদা ঈশিং ৱাৎপগী ফিভম মায়োক্লরিবা অদু য়েংশিনবগা লোয়ননা লৈঙাক্না তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎতুনা মীয়ামদা চপ চাবা ঈশিং ফংহনগনি। অমসুং শাষনগী মচিঞ্জাকশিংসু ফংহনগনি হায়না থাজবা পীখি।

নাকল অমরোমদা উরিষা, সোনেপুরদা কা হেন্না শাবগী ফিভম মায়োক্লরে। হায়রিবা মফমশিং অদুদা সেলসিয়স দিগ্রি ৪৬.৫ য়ৌনা শারি। মেটেরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরকপদা মখা তানা উরিষাগী মফম ১০দা দিগ্রি সেলসিয়স ৪০গী মথক্তা শাখিগনি হায়না লাউথোরক্লি।

ষ্টেট অদুগী টিটলাগরনা খ্বাইদগী শাবা মফম ওইরে। মনাক নকপদা লৈবা সোনেপুরদসু দিগ্রি ৪৬.২ য়ৌনা শাবগী ফিভম মায়োক্লরি। অদুগা হিরাকুট, বোলাঙ্গির, ঝসুগুদানচিংবা মফমশিংদা মথং শীৎনা দিগ্রি সেলসিয়স ৪৫.৬, ৪৫.৫, ৪৫.৩গী চাংদা অশাবা মায়োক্লরি।


গুজরাটকী খুঙ্গং ৯৯৪দা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লবদা লৌবুক্তা ওইরিবা শক্তম

PRESTIGE ACADEMY
Regd. No. 6698
Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal
ADMISSION OPEN
Only @ ₹1000(1mnth) & ₹2000(3mnths)
1MONTH/3 MONTHS CERTIFICATE COURSES ON
Basic Computer Course | Web Designing | Tally
Photoshop | Typing | DTP | Business Management
Free Internet + Study Materials
Last date : 15th April, 2016
9774434544/9612879381
Bidyalaxmi Th.(Manager)
SL/B 3-20 April